

# কোংবা মরুগী লিক্লম লিখুন, তুরৈ তুথুপ থিমিন্নরসি

- লুৱাংচা নিংথেমজাও -





*চীংঙু* নোংদমখোলনা নহালনোংদা মীতৈ লৈবাক্তা চঙলকখিবা থাংজ তরেৎনা কংলা লাইফমলেন মৈহৌঙৈগী ৱাবু ‘মতম খোংলৈ’ অমদি ‘মীয়াৎ’ কৌবা পুয়ানা হায়রম্বগী মতুং ইন্না ইপু খোংনাং থাবনা মীয়াম মাঙদা হায়, মীৎনা উবা খাম্বী মৈদি কলম্লগে, নুংদা চাক্লিবা মৈদি কলঙমদরে হায়বা মৈদু মুৎনবগী মতমনা মীওইবদা তাক্লি।

কুমজা ২০১৪ গী শজিবু থাগী ৭ নি পানবদা লৈবাক্কী ওইবা লাইথৌ কোংবা লৈথোং ফাৎপা নুমিৎকা চীংঙু সলাইরেন-কোংবা-মরুগী লাইথৌগা পূন্না তারকপা নুমিৎতা, কোংবা মরু ইকোমগী লৈশানা ফম্বাল লিংদুনা কোংবা মরুগী চীংখোং তুরেল অফৈবীদা কোংবা লৈথোং ফাৎপগী থৌরম পাঙবগা ইরোইননা থা থাগী নোংমা পানবা খুদিংগী লাইথৌদা পাঙ্গে কোং-ৱাংমদা লৈবা ইরুম কোন্দসু ইশাইফু ঈশিং হৈদুনা মৈরা মেংক্রুক লাংজবগী মহয়না লম্লেন ৱাইতোন্দা হৌবা খোংনাং ফৈদেকপী হায়না মীয়াম্না খঙনবা থাংৱাই মারহনবা (মার্জিং) গী কাইদোংফম ওইবা পামেন মখোংদা পেনানা য়াকৈদুনা অমাইবনা লাইশোন শোন দুনা লাইথৌ থৌরমদা লৈবাক মপুগী ফম্নাইবশিং য়াওনা থৌরম পাঙথোকখি। নুমিৎ শজিবু থাসু তাং ১৮/০৪/২০১৫ কুমজা, থাংজগী অয়ূক্তা তিনখিবা মীয়াম্না থৌপাঙখি।

কালেন থানিন তাং ৪/৫/২০১৫ কুমজা, নিংথৌকাবা মঙাং মতমদা লুৱাং য়েক্কী লৈমা-পিবা অনীগী পুংবানা শাফোংখিবা উপী-উরেল খোংনাং ফৈদেকপীবু লংহিং লংজ ইনুংলোনগী (খোইরি) য়েৎনা থৌপাঙবগা ইরোইননা মীতৈ ইপা ইপুগী চৎনবী কায়ফদবনা তাইবঙ ফাওরক্লবা ৱাংঙুলোনগী মনুংদা মথং থৌরমদা তরা চাকইন-চাউম্বগী থৌ নীংশিংলকপদা অদুঙৈগী ফুবাল্লা (ফুবাৱা) দা উতোং চাক অমদি কংলা লাইফল্লেন মৈহৌখিবা, থাংজ ৭ না মৈ মুৎনবা লংলা লংজিন অমা কাঙলকখি।

চীংঙু নোংদমখোলগী থৌইনশিন্না মৈ-ঈশিং, নুংশিৎ পূন্না থৌ পাঙনবগীদমক ইরুমকোনগী ইশাইফুগী ঈশিংগা মার্জিংগী কাইদোংফমগী লৈবাক্তা, কোংবগী লাইজগা পূন্নবগী থৌরম-থৌদা লাপনা, কুমজা ২০১৪, শজিবু ৭ নি পানবদা, কোংবা লৈথোং ফাৎখিবা মফম :- কোংবা ঈরোং ঈচিন ঈতিনফম, ৱাকল পন্থোং, হয়ি-হৈয়া, নমু পোং-থোক্লম, তুরেল অফৈবী, খুভম লিংখি।

লাংবন থাগী নোংমা পানবা তাং ২/৯/২০১৬ কুমজা, ইরাইগী অয়ূক্তা খুমন য়েক্কী লৈমা-পিবা, মঙাং য়েক্কী লৈমা-পিবা ২/২ গী পুংবা অনীনা য়েক ৭ কী মহুৎ শিন্দুনা লাংবল হৈশোই ইপাল লাংদুনা ইয়েকচা কয়াগা লোয়ননা থৌপাঙখি।

মেরা থাগী অহানবা তাং ১/১০/২০১৬ কুমজা, থাংজদসু লৈবাক মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা লুৱাং য়েক্কী লৈমা-পিবা অনীগী পুংবানা সনা-লুপা কোনয়াই হুন্দুনা চীংঙু লাইগী খেল-চাং (খুদম চাংদম) য়েংলগা য়াইফরবা মতমদা শক্লাইরবী থাংজম ওংবী অঙৌবী লৈমা জিল্লা পরিষদনা লুচিংবীদুনা প্রধান ২ গা লোয়ননা মাইগৈ ৪, সুমদাই ৮ দগী লাকপীবা ইরৈচাশিং পূন্না হৈপাল-লৈপাল, উপাল-ৱাপাল কয়া থাদুনা মহৌশাবু কঞ্জনবা থৌপাঙখি।

হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবা তাং ৩১/১১/২০১৬ কুমজা, নিংথৌকাবগী মঙাং মতমদা অঙোম য়েক্কী লৈমা-পিবা অনীগী পুংবানা সনা-লুপা কোনয়াই থাদুনা অঙোম য়েক্কী ‘ফি-লাই’ (ফিরাল) য়ুংদুনা মালেমগী হৌরকফম ওইরবা কোংবা ঈরোং ঈচিন ঈতিনফম ৱাকন পন্থোং হায়ি হৈয়া নাম্মু পোং-থোক্লম তুরেল অফৈবী খুভমদা স্কোলগী অহল ইবুঙো নবদ্বিপ চন্দ্র দাস অমদি খুমন য়েক্কী মাইবম তোম্বা অনী পূন্না শংব্রৈ (শংকুপলৈ) থাবীদুনা য়েলহৌঙৈগী ফম্বাল মপু থিবা (নুংগী ওইবা) ৱা নীংশিংহন্দুনা লেঙদ্রবা নুংয়াই হীয়ায়বু কাঙদুনা তাইবঙপানবগী পূক্নিংদা মীয়াম্না ফাওনখি।

ৱাকচিংগী ৮ নি পানবা তাং ৬/১/২০১৭ কুমজা, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তা খুঞ্জা ৯ গী মীওই কয়ানা পুনশিন্দুনা মেরা চাউরেন হৌবদা থারম্বা পান্বীশিং ঙাক্লবা শম্বল খাজিন্দুনা কোংবা মরু লাইফমলেন অপূনবা শেমগৎলূপকী ওইবা ৱারেপসু লৌদুনা থম্বীবগা ইরোইননা মীয়ামগী থৌশু থৌপাঙখি।

ফাইরেন নোংমা পানবা থাংজ তাং ২৮/১/২০১৭ কুমজাগী অয়ূক্তা কোংবা মরু চীঙখোঙ তুরেল অফৈবী খুভমলেন্দা অহোঙপুঙ লাইরেনবী শিন্থালূপ, উরিপোক কংলৈ পুৱারী থিবা লূপ, য়ূম্নাম লৈকায় পোইরৈ ইথিবা লূপ, ৱাখলাকপা পানচুম্বা খঙ্গ্রাপুং, কোংবা মরু লাইফমলেন অপূনবা শেমগৎলূপ, (চীংঙু সল্লাইরেল, নোংপোক নিংথৌ অপানবা, লৈনুংমোরি য়োৎশুংবা, য়ূমজাও লাইরেনবী, শৌবোল লাইরেনমা) অহকপা লাই ৫ না য়াংকোকসা (অথৌলিচাহেনবা) ফানবা (ফংনবা) শাতান্দুনা (শা-কাঙনা) নুংকোইবী (নুংকোনবী) লাল্লু (লাংলু) চন্দুনা (চান্ননা) লাংলুপী ফম্বালদা তিন্দুনা লুৱাং মতম য়ৌরকপদা ইয়েক চাগী মপারি মমোমশিংনা অদুঙৈগী নুংদা চাক্লিবা মৈদু মুৎনবগীদমক ফুবাল্লা (ফুবাৱা) দা উতোং চাক চাবগুম্না ইয়েকচাশিংনা তরা চিন্দম্মিন্নদুনা খোইশাও লিনশাওনবা অমদি অকি তুজুংবা কোকনখি।

লমতা থাগী অহানবা নিংথৌকাবা তাং ২৭/২/২০১৭ কুমজাগী মঙাং মতমদা কোংবা ঈরোং ঈচিন ঈতিনফম ৱাকন পন্থোং হায়ি হৈয়া নমু পোংথোক্লম তুরেল অফৈবী কোংবা মরু চীংখোঙগী খুভমদা নূংগী ওইরবা ‘মোইরাংফৌ’ ফৌদাংবু চীংঙু সলাইরেনদগী নীজদুনা সৌবোম লাইরেনবী ইমাগী মহুৎ শিন্দুনা লাইরেন্বী শিন্থা লূপকী লুচিংবী-শিন্নরেম্বী-সেল্লুংবী অহুম্না ঈরৈবাকচাগী মপারী মমোম কয়াদা ফৌদাং পীদুনা পুন্সি চেংজেল নীজখি। শেম্বীবা মপূ খুয়া খাদা চঙজদুনা লুৱাং মতম লোইবা ফাওবা লৌশিং মৈরা চুখৎপীনবা থৌরম থৌনি পাঙমিন্নখি।

অহকপা লাইফল্লেল অসিদা হৌরিবা লোংলী-পাল্লিবা উপাল-ৱাপাল, পুয়া লাতম কয়াদা মুৎনাইদবা ইয়েক্না ইদুনা হক্তুনা থম্বীরম্বা অমদি চীংঙ মাইচৌ চুমচৎনবশিংনা তেকফদনা থৌপাংলম্বা লৈবাক্কী থৌরম থৌদা লোয়ননা লাইকোন অসিদা ফমদোংলিবা (ঙাম্থোইরিবা/ঙাম্থোইরিবী) ইপুথৌ ইবেম্থৌ খুভম শেমগৎমীন্নবা, হৈথা-লৈথা মতম কাইদনা থৌপাংমিন্ননবা শেমগৎপদা ঈরৈচা খ্বাই মীয়াম্না ৱাখল-থৌনা, পাউতাক পীবিরনবা খ্বাই তরাখাদা পাউদমজরি।

# পৎলবা-পূম্লবা ঐখোয়গী খুন্নাই

থৌনাওজম মনোরঞ্জন সিংহ

*চীংনা* কোয়না পনশাবা, ল্লোকেদনা কোয়না পনঙাকপা, বন্দনা ময়ুং কাবা, ৱাকৎ মীফম্না মফেন ফেনবা, জে এ সী অমসুং আপিলনা শৌগ্রি হৌবদৌনা হৌবা লম। নালাগী ঈশিংনা সরক্তা চেনবা লম, কোমকুৎ, উফুল অমসুং অমোৎপনা লম্বীগী লৈতেং ওইবা লম। ঐনা ঐনা তৌনিংবতা তৌবা ডেমোক্রেসি চৎপা, নোংমৈনা ৱায়েল থৌদাবা, পার্সেন্টেজগী লমদম অসিদা হে পলেম অপোকপী নঙনা ঐবু করিগী পোকপীরল্লিবনো হায়বদু য়ৌরে।

ঙসি মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি হুরানবনা হুরানববু ফারবদি কনানা ৱায়েনবীগনি হায়বদুনি। ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি অশোয়বা অমসুং অরানবনা পীক থল্লবা খুন্নাই অমা ওইরে। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মী অয়াম্বা, ঐ খক্তগী খনবা, ঐ হিংলগা লোইরে হায়বা য়াম্না শাথিবা লায়না অমনা নারে। ঐখোয়গী খুন্নাই অসি ঙসিদি কোমাদা লৈরে। কনাবুনো ঐখোয়না চুমথোক্লুগদবা, য়েংঙু য়েংঙুবা মায়কৈ খুদিংমক্তা অশোয়বগী অশোয়বা, অরানবগী অরানবা ঙাক্তা ঙাইরে। ঐখোয়না ঐখোয়গী থৌদাং মশক খঙনা অমসুং ঐখোয়গী ইথৌ অদু পুকচেল শেংনা পাঙথোক্তবদগী ঙসিগী ঐখোয়গী পৎলবা-পূম্লবা অমসুং মনম নমথিরবা খুন্নাই অসি ওইরক্লিবনি।

ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু লৈঙাক্লিবা মীয়ামগী লুচিংবশিং অমসুং ফম্নাইবশিং ঙসিদি মথা শারে। ঐনা তৌখিবা অরানবদু হায়দোক্লবদি নঙনা নহান ধোরা হুরানবা অমসুং কোম্থোং চোঙবদা নকোক কায়বদু লোয়না হায়দোক্কনি হায়না অমনা অমদা ধমকা তৌনরে। পায়খৎলুবা থবক অমত্তা মতম চানা লোইশিনবা ঙমদ্রে। ৱাথোক অমত্তনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রে। পূম্নমক অসি মীয়ামগী লুচিংবশিং অমসুং ফম্নাইবশিংনা মনুং মপান নাইদনা থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌদবদগীনি। মীচম মীয়াম ঐখোয়সু ঐগী ঐগী হক্তমক তাল্লি। তৌফম থোকপা ইথৌদি পূকচেল শেংনা অমত্তা তৌদে। ঈশিংগী অমসুং লমগী খাজনা মতম চানা পীথোক্তে। গভর্ণমেন্ট অমসুং মীচম মীয়াম হায়দুনা অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা লৈ। গভর্ণমেন্ট হায়বসি ঐখোয়না শেম্বনি, গভর্ণমেন্ট হায়বসিদা ঐখোয়সু য়াওরিবনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইগেরা, ফম্নাইবা ওইগেরা নৎত্রগা মীচম মীয়াম ওইগেরা ইহান হানবদা ঐখোয়সি মণিপুরগী মীয়াম অমনি হায়বসি হেক হেক কাউথোকপগুম তৌই।

মীয়ামগী লুচিংবশিং অমসুং গভর্ণমেন্টকী ফম্নাইবশিংনা পৈশা চাই হায়দুনা মীচম মীয়াম ঐখোয়না ঙাঙনরি। তশেংনদি পৈশা অদু ঐখোয়না কৎলুবনি। পৈশা চাবগী ৱাফমসিদি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। গভর্ণমেন্টকী লোইশঙদা থবক তৌরিবা অচৌবা ফম পায়বা মীনা চাউনা পৈশা চাই অমসুং অপীকপা ফম পায়বা মীনা পীক্না পৈশা চাই। মীখলগী মতমদা মীচম মীয়াম ঐখোয়না মীহুৎ খনবা মতমদা মীখল থেংনরিবা মীরেপশিংনা হয়েং মীখলদা মায় পাকখ্রগা ঐখোয়গী করি তৌবিরক্কদোইনো হায়বা ৱাখলনা মাঙ থাদুনা ঐখোয়না মীরেপশিংদগী পৈশা লৌথোকই অমসুং চাক চাথোকই। মসিসু পৈশা চাবা মখল অমনি। মরম অদুননি ঙসি লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা ঐখোয়বু উশিৎলক্ত্রিবসি। মীচম মীয়ামশিংদি মীখল ময়াদা পৈশানা লৈবা য়াবনি খন্দুনা মা মাগী মচা মশু, মরী-মতা, মরুপ-মপাং, নুংশি-চান্নবা অমসুং মীখলগী মতমদা মখোয়গীদমক্তা শিবা কিদনা থবক তৌখিবা মীওইশিং অদুগী য়াইফনবা থবক খরা তৌরগা মীয়ামগী ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তে। মসি মীচম মীয়াম ঐখোয়না থোকহনবনি।

থক্লবা ঈশিং অমসুং লম্বী থোংগী ফীভমদা থোইনা অহোংবা উদে, হেন্নদুম ফীভম শোকচিল্লকপদৌনা তৌই। মীয়ামগী ওইবা লন-থুমদা থোইদোক্লা হেনগৎলকপা উদে। অদুবু লন্নাইগী ওইবা লন থুমদি য়াম্না হেনগৎনরে। খুদম ওইনা হায়রবদা মীয়ামগী লুচিংবশিং, ফম্নাইবশিং অমসুং অয়াম্বা মীয়ামশিংগী য়ূম য়াম্না ৱাংনা অমসুং চাউনা শানরে। লন-থুম য়াম্না পৈশিন্নরে। ইরুজফম অমসুং খোঙ হামফম ফাওবদা লুপা লাক্ষ লাক্ষ চঙনা শানরে। মখোঙ মরি অমসুং অনী পানবা মমল য়াম্ল-য়াম্লবা গাড়ী লৈদুনা মণিপুরগী মী অয়াম্বা তোংনরে। একাগাড়ী তোংবা অমসুং খোঙনা চৎপা মীগী মশীং মণিপুরদা য়াম্না লৈতে। লমদমসিদা লৈবা মী অয়াম্বা অরেম্বা পাম্বা, থবক শুদনা য়াম্না থুনা পৈশা পায়বা পাম্বা, পুকচেল শেংদবা, নোংমদা লুপা ১০ তাল্লগা লুপা ২০ চাদিং তৌবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। অহেনবা চাদিং তৌবা ঙম্নবা হোৎনবদা তৌহৈদেবা অমসুং অরানবা পাম্বে কয়া শীজিন্নরকই। ঙসি মণিপুরদা সনা শন অমা অনীগী করিসু খঙজদ্রিবা অঙাং ফাওবা মখৌরি মেৎখায়দুনা হাৎপা ঙম্লক্লে। শম্না হায়রবদা মণিপুরদা লৈবা মী অয়াম্বা পৈশাদা ঙাওরে। মমিৎতা পৈশা নত্তবা অতৈ অমত্তা উখিদ্রে।

মণিপুরদা করি থোক্লবগে হায়না হংববুদি মণিপুরদা করি থোক্ত্রিবগে হায়য়না হংবনা হেন্না চুনরে। মৈ, ঈশিং অমসুং টেলিফোনগী অনৌবা লাইন লৌশিন্নবগী থিফম থোকপা শেনফম মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা থিখ্রবসু, অনৌবা লাইন শম্বীবা লাক্লিবা গভর্ণমেন্টকী তলব চবীরিবা এমপ্লোয়শিংনা লুপা চামঙা নৎত্রগা লুপা চাতরুক ময়ামগী চা থক্লবা পীয়ু হায়রক্কনি, পীরুদ্রবদি অঙাওবা তাগনি। লমদমসিগী ঙায়োনবী ইমা ইবেলশিংদগী ঙা লৈবা মতমদা কেজি ফাদে হায়রুরবদি ময়াম চঙদুনা মিৎতুম কোৎথোক্কে তৌরকই। লমদমসিদা অচুম্বা চৎপা অমসুং অচুম্বা ৱা ঙাঙলুরবদি অপংবা, মথা বেরা লৈবা মীনি হায়নৈ। মণিপুরদা মালেমগী মফম অতৈদা তৌদবা থবক ঙাক্তা তৌই। ইম্ফালগী কৈথেল ময়োলদা মথৌ তৌরিবা ত্রাফিক পুলিসনা নুংথিল পোবোবতা রিক্সো থৌবশিং অমসুং ওটো রিক্সো থৌবশিংদগী পৈশা চাই। করিগুম্বা ঐখোয়না কৈথেল মনুংদগী অরুম্বা পোৎ অমা রিক্সোদা হাপ্লগা পুথোকপা তারবদি ত্রাফিক পুলিস অমসুং পুলিসকী য়াওনা ভারা পীবা তাই।

লমদম অসিদা মীচম মীয়াম ঐখোয়না তোপ তোপ্পা পোৎ অমসুং লম্বীগী টেক্স থিরি। হায়রিবা টেক্স অসি গাড়ী মপুনা পোৎ মপুদগী লৌখৎলি, পোৎশিং অদু পোৎ মপুনা কৈথেলদা মমল হেন্না য়োল্লকই, অরোইবদা হায়রিবা পোৎশকশিংদু মীচম মীয়াম ঐখোয়না লৈ। পূম্নমক অসি খঙনা খঙনা ঐখোয়না কনাদসু ৱাকৎলুবা লৈতে অমসুং ৱাকৎফমসু লৈতে। মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবীবা মহৈরোয়শিংগী লূপ, মীয়ামগী লূপ অমসুং লালহৌলূপনা পীক থন্না লৈবা সনালৈবাক মণিপুরনি। অদুবু গ্যাস এজেন্সিদা গ্যাস ফংদবা মতমদা ব্লেক্তদি গ্যাস ফংই। পেট্রোল পম্পতা পেট্রোল ফংদবা মতমদা পেট্রোল পম্পকী মায়োক্লবা অমসুং য়েৎ ওইদা লৈবা দুকান মচাশিংদা পেট্রোল ফংই। পরিক্ষাদা নোট তৌবা থিংগদবা মীনা নোট তৌবদা মতেং পাঙই। মৈ লোন্না কোৎপা অমসুং টোটি লোন্না পুশিনবা থিংগদবা মীনা আইন্না য়াদবা থবক অসি তৌবদা মতেং পাঙই। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ইন্সপেক্টরশিংনা স্কুলশিং য়েংশিনবা চৎপগী মহুত্তা মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা স্কুলশিং য়েংশিল্লি। এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী মথৌ মীয়ামগী লূপশিংনা তৌদুনা লৈ। গ্রীন সিটি ওলহনগদৌরিবা ইম্ফাল সহরগী লম্বীগী মেদিয়ানশিংদা পাম্বী অমত্তা হৌদে। গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা অয়াম্বা থেংনা ওফিস কাই অমসুং ঙন্না ওফিস কুম্মী। গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ি অয়াম্বা লেম্না তলব চাই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মী অয়াম্বনা চৎন-কাঙলোন অমত্তা ইন্দে। মানা মানা তৌনীংবতা তৌই।

গভর্ণমেন্টকী ফম্নাইবশিং অমসুং মীয়ামগী লুচিংবশিংগী মচা-মশু, মরী-মতা, নুংশি চান্নবা অমসুং মখোয়দগী কান্নবা ফংবা কাঙবুনা মখোয়গী মীচঙ চঙই। মহৈরোয় লূপ, মীয়ামগী লূপ অমসুং লালহৌলুপশিংগী মচা-মশু, মরী-মতা, নুংশি চান্নবা অমসুং মখোয়দগী কান্নবা ফংবা কাঙবুনা মখোয়গী মীচঙ চঙই। মণিপুরদা ফরক তারিবসি মীচঙ শঙ্গ লৈজদবা মীচম মীয়াম ঐখোয়তনি। ঐখোয়গী ইচা ইশু, মরী-মতা অমসুং নুংশি চান্নবনা তৌবা অরানববু কুপশিন্দুনা থম্বগী হৈনবী অসি থাদোক্লসি।

ঐগী হায়বা ৱাখল অদু থাদোক্লগা মীয়ামগী হায়বা ৱাখল অদুনা মাঙদা থল্লগা ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা তুংগী মীরোলগী য়াইফনবা থবক খরা তৌরল্লসি। নত্তদুনা শিবা কিদুনা ঐখোয়বু কয়াম কুইনা শিনা শিনা হিংখিসি হায়রিবনো? ঐখোয়না ৱাকৎ মীফম ফনা ফমদুনসু, আপিল ফনা তৌদুনসু, লূপ য়াম্না শেমদুনা চাক ফনা কৌদুনসু, খুদোলপোৎ পীদুনা ইচিন ইনাওগী খোঙ্গুল ফনা লীদুনসু, লাইনিংথৌ লাইরেম্বী ফনা ইরাৎতুনসু, হৌখিবা থৌদোক ৱাথোক নীংশিংদুনা পালন ফনা য়াম্না তৌদুনসু, ইকনমিক ব্লোকেদ, বন্দ অমসুং ষ্ট্রাইক ফনা তৌদুনসু মণিপুরদা শান্তি পুরকপা ঙল্লোই। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক পৈশা পীবা অমসুং পৈশা চাবগী হৈনবী অসি থাদোক্লসি, লোয়নননা ঐখোয় খুদিংমক্না ঐখোয় ঐখোয়গী ইথৌ পুকচেল শেংনা তৌরসি।

> *ঙসি মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি হুরানবনা হুরানববু ফারবদি কনানা ৱায়েনবীগনি হায়বদুনি। ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি অশোয়বা অমসুং অরানবনা পীক থল্লবা খুন্নাই অমা ওইরে। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মী অয়াম্বা, ঐ খক্তগী খনবা, ঐ হিংলগা লোইরে হায়বা*
> *য়াম্না শাথিবা লায়না অমনা নারে। ঐখোয়গী খুন্নাই অসি ঙসিদি কোমাদা লৈরে। কনাবুনো ঐখোয়না চুমথোক্লুগদবা, য়েংঙু য়েংঙুবা মায়কৈ খুদিংমক্তা অশোয়বগী অশোয়বা, অরানবগী অরানবা ঙাক্তা ঙাইরে*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১। ''যামিনীগা নবকিশোরগা মাঙখিবা নুমিৎ হুমনি শুজিল্লক্লে। যামিনীগী লুহোংবা কায়রে।'' পরেংশিংসি করম্বা উপন্যাসতগী লৌথোকপনো?

২। ''প্রোফেসার সেন-মপূং ফাবা মমিংনা সুকুমার সেন কৌই। নোংচুপ বঙ্গদা সেন শাগেগী শক্লাইরবা, শক্লাইরবী মীওই কয়া লৈ। মহাকসু তোমথিননি।'' পরেংশিংসিনা করম্বা উপন্যাসতগী লৌথোকপনো?

৩। ‘অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ’ নোভেল অসিগী অইবীদু কনানো?

৪। 'The Taste of a Hilsa' হায়না কুঞ্জমোহনগী ৱারীমচাশিংবু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো?

৫। ‘বঙ্গবন্ধুগী লৈবাক্তা’ লমকোয় ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।